ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

পিছ টোককী ৱারোইশিনদা করি-করি ৱাফম য়াওবগে হায়বদু খঙহল্লু হায়দুনা য়ুঠ প্রোগ্রেসিভ এন্দ এথলেটিক ক্লব অমসুং অপূনবা মৈরা মরুপ এলাংবম লৈকাইনা শীন্দুনা চেকশিন মীফম ফমখিবা

লামায় ১

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি লৈঙাক্কী ওফিসল কয়াগা পুন্না মণিপুর ভিজন দোক্যুমেন্ট ২০৩০ সী এম সেক্রেটরিয়েটতা লোঞ্চ তৌখিবা

লামায় ১

সী এল পিগী লীদর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা দিল্লিদা সী পি আইগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা এম পি, দি রাজাগা উনখিবগী শক্তম

লামায় ১

নাগা পিছ একোর্দনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়দুনা শীংজুবুং য়ুঠ ওর্গনাইজেসন (এস ৱাই ও) ক্লবনা শীন্দুনা নাগামপালদা চেকশিন মীফম ফমখিবা

লামায় ৪

Vol. 43, Issue No.228 | থাংজ, হিয়াঙ্গৈগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Saturday, November 16, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

এক্সিদেন্ট তোয়না থোক্কনবা মফমশিংদা লৈঙাক্না ট্রাফিক পুলিস থম্বীদবদগী মীশি-মীনা হেনগৎহল্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): গাড়ীগী এক্সিদেন্ট তোয়না থোক্কনবা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈঙাক্না ট্রাফিক পুলিস থম্বীদবদগী মীশি-মীনা থোকপগী চাং হেনগৎহল্লে। ট্রাফিক পুলিস লৈতবদগী এক্সিদেন্ট তোয়না থোক্তুনা মীশি-মীনা কয়া য়াওরবা ফাওবদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদ্রে হায়দুনা মীয়াম পেন্নদ্রে।

সেগা রোদ কোঞ্জেং হাজারি লৈকাই ধোবী মচু লৈরক মচীন অমসুং কৈশামথোং হোদাম লৈরক মনীংদা লৈরিবা টিদ্দিম লম্বীগী ক্রোসিং অসিসু গাড়ীগী এক্সিদেন্ট তোয়না থোক্কনবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। মফম অসিদা নুমীৎ খূদিংগী গাড়ী এক্সিদেন্ট অমা নৎত্রগা অমদি শোয়দনা থোক্লি। মফম অসিদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপদগী মীশি-মীনা কয়া য়াওখিবগী মথক্তা অশোক-অপন নংবদগী পূন্সি চুপ্পা হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদনা লৈবা মীওই কয়াসু য়াওনরি।

অসিগুম্লবা মফম অসিদা ট্রাফিক পুলিস নীংথিনা থমদুনা ট্রাফিক মেনেজমেন্টকী থবক নীংথিনা তৌরবদি এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং অসি হন্থগনি হায়না মনাক নকপদা লৈবা মীওই কয়ানা মরী লৈনবশিংদসু কয়ারক হন্না হায়জখিবা লৈখ্রে হায়রি। মসিদসু নৎতনা পাউচে অসিনসু মফম অসিদা ট্রাফিক পুলিস থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়বগী রিপোর্ট ফাওবা মমাংথক্তা ফোঙখিবা লৈখ্রবনি। কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা চথখিবা এসেম্বলি মীফমদসু হায়রিবা মফম অসিদা ট্রাফিক আইলেন্দ অমা লৈহন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু মতমদুগী লৈঙাক্লোয়শিংনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

নেসনল হায়ৱে ওইবতা নৎতনা এয়রপোর্ট চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইবনা মায়কৈ কয়াদগী *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*



সেগা রোদ কোঞ্জেং হাজারি লৈকাই ধোবী মচু লৈরক মচীন অমসুং হোদাম লৈরক মনীং মপাদা লৈবা টিদ্দিম লম্বীগী ক্রোসিংদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকখিবগী হৈকৎ-লৈকৎ তল্লমখিবা

সেন্টরগী রেস্পোন্সতা নেগেটিভ ওইবা লৈতবনা এসেমব্লী কৌদবনি : বিরেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : নাগা পিছ টোক্তা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম শোকহন্দনবা তকশিনবা ৱাফমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী রেস্পোন্সতা নেগেটিভ ওইবা লৈতবনা এসেমব্লী মীফম কৌদবনি। তঙাইফদবা ফীভম লাক্লবদি কৌরবসু য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়টকী দরবার হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী নুমীৎ অমদি চীংগী লুচিংবশিংগী নুমীৎকা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উনবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি অপূনবা শক্তমদা শোকহনবা য়ারোই হায়না সেন্টরদা তকশিন্দুনা লাক্লি। লমদমসিগী মীয়ামগী অপাম্বশিং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা খঙহল্লি। ঙসিসু ৱাফম কয়া হোম মিনিষ্টরদা থম্বা লৈখি। ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তানরকখিগনি হায়বা সেন্টরগী ৱাফম লৈবনা শোয়দনা তানরকখিগনি। ষ্টেটসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি কোকোমিগী মীহুৎশিংগসু উননবা হোৎনরি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা নেগেটিভ ওইবা ৱাফম য়াওদবনা এসেমব্লী কৌদবনি। হোম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী পিছ টোক্না মণিপুরদা শোকহল্লোই হায়বা ৱাফম থাজবা পীরকখ্রবনি। সেন্টরনা পীরক্লিবা থাজবসিদা ষ্টেট লৈঙাক্নসু থাজবা থম্মী। ষ্টেট লৈঙাক্না পোলিটিকেল পার্টিশিংগসু পাউ ফাওনদুনা চৎমিন্নরি। ওল পোলিটিকেল পার্টি টিম অমসু দিল্লিদা চৎলুবা লৈরে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এসেমব্লী কৌবগী ৱাফম লৈতে। তঙাইফদ্রবদি এসেমব্লী কৌবা য়াই। এসেমব্লী কৌরোই হায়বা লৈতে।

পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ষ্ট্রকচরদা কায়হনবা য়ারোই হায়না তকশিনবনি। মসিদা য়ুনিয়ম হোম মিনিষ্টরনসু রেস্পোন্স নীংথিনা পীরকখি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনবসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা নাগালেন্দগী ওইবা ৱাফমশিংদা চথবনা কন্টেন্ট খঙহল্লু হায়বা ৱাফমসিদা হায়বা য়াব্রা হায়বসি খন্নবা চুম্মী। নাগালেন্দগী ওইবা ৱাফমদা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মফম কয়াদা চেকশিন মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): নাগা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই অমদি ৱারোইশিন অসিদা করি করম্বা ৱারোলশিং য়াওরিবগে হায়বদু খঙহল্লু হায়দুনা কোকোমিনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং শৌগৎলদুনা ঙসিসু মফম কয়াদা চেকশিন মীফম ফমখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ২

HL Poll

Q: Leibak ashida BJP leingak lakpadagi state sigi meeyamgi punshi mahinggi fibam fagathanba ngamle haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur da shel - thumgi fibam sokchillakle hairibasi state leingakna thou-shil heitabadagini haina loubra?

Yes 96% No 04%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৯ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১৫ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩১

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৭

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL →	**AGARTALA**
Air Asia (India)	15:50
IMPHAL →	**BENGALURU**
IndiGO	09:55
IMPHAL →	**DELHI**
Air Asia (India)	13:45
IMPHAL →	**GUWAHATI**
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:15
Air India	14:20
IMPHAL →	**KOLKATA**
IndiGO	10:50
Air India	13:25
IndiGO	14:25
Air India	15:00
IndiGO	15:20
Air India	16:45

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.217310
US Dollar	71.795922
British Pound	92.452453
Australian Dollar	48.775705
Chinese Yuan Renminbi	10.237118
Japanese Yen	0.660793
Malaysian Ringgit	17.287653
Australian Dollar	48.775705
Singapore Dollar	52.729386
South Korean Won	0.061579
Saudi Arabian Riyal	19.145579
Thai Baht	2.373499
Myanmar Kyat	0.04743
Bangladesh Taka	0.84682

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	38909.09
Mumbai	–	Rs	40000.00
Delhi	–	Rs	39893.05
Kolkata	–	Rs	40192.51

নিতি আযোগকী এস দি জি ইন্দিয়া ইন্দেক্সতা মণিপুরনা ৬শুবদা লৈরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): কুমজা ২০৩০ ফাওবদা ষ্টেট অসি মপুং ফানা চাউখৎহনবগা লোয়ননা মীয়ামগী পূন্সি মহিং ফগৎহন্নবগী পান্দমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি 'মণিপুর ভিজন দোক্যুমেন্ট ২০৩০' লোঞ্চ তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, নিতি আযোগ এস দি জি ইন্দিয়া ইন্দেক্সতা মণিপুরনা অতোপ্পা ষ্টেট অনীগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ২৯গী মনুংদা ৬শুবা মফম কনবা ঙল্লে। ইন্দিয়াগী এভরেজ স্কোর ৫৪ ওইখিবদা মণিপুরগী অপূনবা স্কোর ৫৯ ওইখি। হৌখিবা চহী অনী মখায়গী মনুংদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না মনুং-মপান ফাওনা উবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা মরম্না নিতি আযোগ এস দি জি ইন্দিয়া ইন্দেক্সতা মণিপুরনা ৬শুবা মফম কনবা ঙল্লকপনি।

মণিপুর ভিজন দোক্যুমেন্ট ২০৩০গী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়া লৌখৎপগা লোয়ননা মীপূম খূদিংমক চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা ভিজন দোক্যুমেন্ট পুথোরকপনি। কুমজা ২০৩০ ফাওবদা ষ্টেট অসি হীরম খূদিংমক্তা চাউখৎপগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহনবা ঙল্লগনি। চীং অমদি তমগী মরক্তা থোং মান্ননা চাউখৎহনবগা লোয়ননা মীপূম খূদিংমক অরাম-খৌরাংবগী মৈচাক কোকহন্দুনা য়ুমথোঙ খূদিংদা মশাগী লৈনবা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

য়ু এন এল এফকী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি জেলদগী থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ)গী মখাদা লৈরিবা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা লান হৌবগী চার্জদা ফাবদগী কোর্টনা কনভিক্সন পীদুনা গুৱাহাটিগী সেন্ট্রেল জেলদা থল্লকখিবা য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ)কী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি মোইরাংথেম জয় এলিয়স নোংয়াই জেলদগী থাদোকখ্রে হায়রি।

য়ু এন এল এফকী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মরু ওইবা মীশক অমসু ওইখিবা মোইরাংথেম জয় এলিয়স নোংয়াইগী মমিং কোনশিন্দুনা মণিপুর পুলিসকী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেসনশিংনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস মরিদগী বেল মুভ তৌখিবা মহাক্কী কাউন্সেলশিংগী মরক্তা য়াওবা কাউন্সেল অমদগী ফংখিবা পাউনা হায়বদা জয় এলিয়স নোংয়াইগী জুদিসল কষ্টদিদা লৈবগী মতম লোয়রদুনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম অথেংবদা গুৱাহাটিগী সেন্ট্রেল জেলদগী থাদোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এন আই এনা মহাকপু ফারবা মতুংদা মহাক্কী মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা লান হৌই হায়বগী চার্জদা চার্জশীট ফ্রেম তৌরকখিবনি। চার্জশীট অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা গুৱাহাটিদা লৈবা এন আই এগী স্পেসল কোর্টতা ৱায়েল চথখিবনি। অদুগা চহী ১০গী কনভিক্সন পীখিবনি।

অদুবু কনভিক্সনগী মতম লোয়রদুনা জুদিসল কষ্টদি অসিদগী *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

ইন্দিয়াগী কেপ্তেন এল অশালাতা এ এফ সি প্লেয়র ওফ দি য়রগী মনা পীননবা নোমিনেট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৫(এজেন্সী): এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোলগী লূপ ওইরিবা এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন্না চহী খুদিংগী পীবা প্লেয়র ওফ দি য়রগী নুপী কাংলূপ্তা লৈবাক অহুমদগী শান্নরোয় অহুম খনগৎখিবদা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন ওইরিবা লোইতোংবম অশালাতাগী মমিং য়াওখ্রে।

এ এফ সিগী চহীগী ওইবা মনা য়েন্থোক্লবগী ঙসি থোকখিবা শান্নরোয়শিংগী লিষ্টতা নুপীগী ওইনা চাইনাগী লি য়িং অমসুং জপানগী সাকি কুমাগাই য়াওনা অশালতাগী মমিং য়াওখি। নোমিনেসন অদু কেপ্তেন অশালতানা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অদুবু য়াম্না ফজবা ওইনা চহী অসিদা সাফ ফুটবোলগী টাইটল লৌখিবতা নত্তনা অহানবা ওইনা মহাক্না লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ওলিম্পিক ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ ফাওবা পুশিনবা ঙমখি।

এল অশালাতা ইন্দিয়াগী ৱুমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াদুনা হন্দক্কী চহীদা সেথু এফ সিগী মায়কৈদা শরুক য়াখিবদা টাইটল লৌবা ঙমখি। নীংশিংবা য়াই, মশাগী চহী ২৬ শুরবী এস অশালতা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না কুমজা ২০১৮-২০১৯গী ৱুমেন্স প্লেয়র ওফ দি য়রগী মনাসু পীখ্রবনি।

সেন্টর বেক পোজিসন্দা শান্নবা অশালতানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না এৱার্দ অসিগীদমক নোমিনেট ফংলকপা অসি মহাক্কী কোচ মেমোল রোকি অমসুং চাওবাগী অচেৎপা মীৎয়েং মখাদা শান্নবা ফংবননি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক মালদিপসকী ফুটবোল ক্লব ন্যু রেদিএন্টতা কন্ত্রেক্ট ফংদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারুরবীনি। মহাক্না ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা পূন্না ইন্টর্নেসনল মেচ ৩৭ শরুক য়ারকপদা পূন্না পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখিবতা নত্তনা মশিং য়াল্লবা এসিস তৌবা ঙমখি।

অশালতাগা পুন্না নোমিনেট তৌমিন্নখিবা চাইনাগী লি য়িংনা কুমজা ২০১৮গী এসিয়ন কপ্তা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙমখি। মহাক্কী লুচিং মখাদা চহী অসিগী অঙনবদা চাইনাবু ফিফা ৱর্ল্ড কপকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌহনবা ঙমখি।

অমরোমদা জপানগী শান্নরোয় অমদি টিম অদুগী কেপ্তেনসু ওইরিবী সাকি কমুগাইনা মহাক্কী টিম অদুবু ফিফা ৱর্ল্ড কপকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌহনবা ঙমখি। লোয়ননা মহাক্না হৌজিক হৌজিক শরুক য়ারিবা ফ্রান্সকী ক্লব লিয়োনদা শান্নদুনা য়ুএফা ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স লীগ টাইটল অদু ৪রকহন্না চেম্পিয়ন ওইহনবদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংবদা পাউচেসিগী নুপী পাউমী ২ য়াওরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরি ৮দা চহী অসিগী ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ পীরগনি হায়না পাউমীশিংগী মিং লাউথোরকপদা পাউচে অসিগী নুপী পাউমী অনী য়াওরে।

চহী অসিগী ওইনা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ পীরগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুদা য়াওরবা পাউচে অসিগী নুপী পাউমী ২ অদুদি নোমিতা খোংবান্তাবম অমসুং অসেম বেবিচানি।

রুরেল রিপোর্টিংগী লম্দা থোইদোক-হেন্দোকপা পাউ ইবগীদমক ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংলগদবা নোমিতা খোংবান্তাবম উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইদগীনি। মহাক্কী অপোকপগী মিংনা লৈখিদ্রবা খোংবান্তাবম ইবোতোম্বী অমসুং অপোকপীগী মিংনা খোংবান্তাবম ওংবী সনাতোম্বী কৌই। নোমিতা খোংবান্তাবম আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোশিপ ২০০৯-১০, ডা. নরা কলচরেল এৱার্দ ২০০১, ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা ফেলোশিপ এৱার্দ ২০১২, মৈদিংঙু পরৈহনবা এৱার্দ, মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা পীবা ইকো জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৭, নোংপোক পান্থোইবী এৱার্দ ২০১১ অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী থোইদোক-হেন্দোকপা পাউ ইবগীদমক দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা পীবা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৬ ফংখ্রে। মকি পাৎ ও নুংওনবী হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমসু মহাক্না ইদুনা ফোঙখিবা লৈখ্রে।

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লম্দা থোইদোক-হেন্দোকপা পাউ ইবগীদমক ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংলগদবা অসেম বেবিচা য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দগীনি। মহাক *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

নোমিতা খোংবান্তাবম

অসেম বেবিচা

কোংগ্রেস এম এল এশিংনা দি রাজা উনদুনা ৱারী শানখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী সী এল পি লিদর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা এম এল এ টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা ন্যু দিল্লিদা লৈবা সী পি আইগী ওফিসতা সী পি আইগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজাগা উনদুনা পিছ টোক্তা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম শোকহন্দনবগী মতাংদা তকশিন্নবা ৱারী শানখ্রে।

ঙসি নুংথিল ন্যু দিল্লিদা সী পি আইগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজাগা উনখিবা অদুদা কোংগ্রেস *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

অস! লোইরেহে!

- খুরানা ফি য়োনফম থিরিবদো ফংলরোই মোবাইল য়োনফম ঙাক্তা ওন্থোক্লক্খ্রে!

- ꯈꯨꯔꯥꯅ ꯐꯤ ꯌꯣꯟꯐꯝ ꯊꯤꯔꯤꯕꯗꯣ ꯐꯪꯂꯔꯣꯏ ꯃꯣꯕꯥꯏꯜ ꯌꯣꯟꯐꯝ ꯉꯥꯛꯇ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯂꯛꯈ꯭ꯔꯦ!



- হোয়দা, ঐসু ফি লৈররোইগে, সেল্ফি কাপ্পবা মোবাইল ওইনা লৈখ্রগে!

- ꯍꯣꯏꯗ, ꯑꯩꯁꯨ ꯐꯤ ꯂꯩꯔꯔꯣꯏꯒꯦ, ꯁꯦꯜꯐꯤ ꯀꯥꯞꯄ ꯃꯣꯕꯥꯏꯜ ꯑꯣꯏꯅ ꯂꯩꯈ꯭ꯔꯒꯦ!

অনেমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদ হৈহনবা ঙম্নবা

Manipur Cab Services

হৌজিক মণিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পীবা হৌরক্লে...

খুদোংচাবা ওসি লৈবিনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিয়ু অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তেংদুনা চৎপিয়ু

Toll Free Number

1800-345-3838

GET IT ON Google Play

অদোমবু চেক্তা কায়না অমদি মতম চানা য়ৌহনবা ঐখোয়গী পাম্মনি

₹ 15 per Km. Normal

₹ 25 per Km. Standard

Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অখন্না শেমজবা package লৈজরি

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ

Manipur Cab Services

2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/4095/9/10-8/11

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ

থাগৎচরি

লৈবাক অসিদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মশীং লেপ্পগী ওথোরিটি ওইরিবা ওদিট ব্যুরো ওফ সর্ক্যুলেসন (এ বি সী) না কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী থাদগী জুন থা ফাওবগী পীবা সর্টিফিকেসন ফংবা মণিপুরগী পাউচেশিংদি হুইয়েন লানপাউ অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসনি। এ বি সীনা পীবা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা সর্টিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না

হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী ইদিসননা

মণিপুরদা অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ফোঙবা পাউচে ওইরে।

পাউচে অসিবু লীশাং শীৎনা পাবিরক্লিবা অমদি পুক্নীং থৌগৎপীরক্লিবা খুদিংমকপু নোল্লুকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মতুং তারকপদসু পাউচে অসিবু হেন্না মপুঙ ফানা পুথোকপা ঙম্নবা পুক্নীং থৌগৎপিয়ু। অশোয়-অরান য়াওরগসু তাকপীরকউ। মীয়ামগীদমক পাউচে অসিনা হেক ঙল্লিবমখৈ অঙম্বা থৌদাং লৌজগে।

পুন্নমকপু অমুক্কা হন্না থাগৎচরি!

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫